## মেক্স প্লেনশিং নৌনা মিং থোন্নবা হায়খ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

থা তরুক্কী মতমগী মনুংদা থংন-থংননা অনীরক কায়বদগী মালেম পুম্বনা মতম কত্তুনা শীজিন্নবা লেপখ্রবা বোইংগী ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেনশিংনা নৌনা মমিং থোনদোক্লুবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা রিকম্মেন্দ তৌখ্রে।

কম্পেনিগী পোৎথোক অমদা অসিগুম্বা ফিভমদা থাজনরক্তবগী ফিভম মমাঙদা লৈখিদ্রি। অহেনবা ফিচর খরা হাপচিল্লগা প্লেন অসিগী অনৌবা মমিং অমা থোনবনা হেন্না ফবা ওইগনি হায়না ট্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী দিরেক্সনদা ফেদরেল এভিএসন এদমিনিস্ট্রেসন্না প্লেনশিং অদু সার্ভিসতগী লৌথোক্লুবা ওর্দর তৌখিবনি।

## দেলিগেটশিংনা টালিবানগা ডনরগনি

কাবুল, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং য়াওনা চয়োল অসিদা দোহাদা টালিবানগা উনগদবা দেলিগেটশিংগী শাংলবা লিষ্ট অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফঘান ওথোরিটিশিংনা ফোঙখ্রে।

প্রসিদেন্সিএল পেলেসনা ফোঙখিবা চাওরবা রোষ্টর অমদা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিগী চীফ ওফ ষ্টাপ অব্দুল সলাম রহিমি অমসুং মহাক্কী ইলেক্সন রন্নিংমেট ওইরিবা অফঘান ইন্টলিজেন্সকী মকোক ওইরম্বা অমরুলা সালেহ য়াওনা মীওই ২৫০ গী মিংশিং য়াওরি। লিষ্ট অদুদা পল্লিবা অতৈ দেলিগেটশিংদা য়ুথ লিদরশিং, ট্রাইবেল লুচিংবশিং অমসুং নুপী ৫২সু য়াওই হায়রি।

## মীওই ২৩ শিরে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

পাকিস্তানগী পঞ্জাব অমসুং সিন্ধ প্রোভিন্সশিংদা অখাক-অরাও য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া অমনা অশোক-অপন নংলে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

নোং কন্না চুখিবগা লোয়নননা মতিকময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইলেক্ট্রিক পোষ্টশিং অমসুং উ কয়া ফুকখ্রে অমসুং লল-থুম কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি।

## মিলিটরি কাওন্সিল মুখৎনবা দিমান্দ তৌখ্রে

খাতুম, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

সুদান্দা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট শীন-লাংলিবশিংনা অনৌবা মিলিটরি কাওন্সিল মুখত্তুনা সিভিলিয়ন গভর্নমেন্ট অমা য়াম্না থুনা শেম্ননবা দিমান্দ তৌখ্রে। সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবগী দিমান্দ শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়ানা মখা তানা হৌজিকসু প্রোটেষ্ট চথরি হায়রি।

# ফ্রান্সকী নোট্র-দাম কেথিড্রল ফিভম থীনা মৈ চাকখ্রে প্রসিদেন্ট মেক্রোন্না পুমনৌ নৌনা শারগনি হায়খ্রে



পেরিস, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ লেন্দমার্ক অমা ওইরবা মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা চর্চশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফ্রান্সকী পেরিসতা লৈবা মমিং চৎলবা নোট্র-দাম কেথিড্রল নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফিভম থিনা মৈ চাকখ্রে।

শাথিরবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা চহী ৮৫০ শুরবা চীং লেন্নবা গোথিক বিল্ডিং অদুগী স্পায়র (মচিন তুম্বা মতোন ইথং থংবা শরুক) অমসুং চর্চকী য়ুমথক নীংখায়দুনা কেনখ্রে। তৌইগুম্বসুং বেল টৱার অনী য়াওনা মরু ওইবা ষ্ট্রকচর অদুদি কনবা ঙমহৌরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পেরিসকী মরু ওইবা লেন্দমার্ক অমা ওইরিবা কেথিড্রল অদু ফিভম থিনা মৈ চাকখ্রবা মতুংদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা লৈবাক অদুগী মাই ওইরিবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা লিরবা চর্চ অদু নৌহৌননা অমুক শারগনি হায়না লাউথোকখ্রে। পেরিস প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা এক্সিদেন্ট মানবা শাথিরবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্বাইরি অমা চথবা হৌরগনি হায়খ্রে।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদু এক্সিদেন্ট অমা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থিওরি অসিদা ঐখোয়না থাজবা থমদুনা থিগৎপা পাম্মী। মতম শাংনা চঙগদবা লুরবা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মীওই ৫০ না শরুক য়াগনি হায়না পেরিসকী পব্লিক প্রোসিক্যুটর রেমি হায়টসনা ফোঙদোকখি।

কেথিড্রল অদুগী য়ুমথক অমসুং স্পায়র চাকথেক্তুনা নিংখায়হনখিবা চাওরবা মৈজাও অদু ফায়রমেন ৪০০ হেনবনা কন্না হোৎনদুনা লাকশিনবা ঙমখি। অহিংচুপ্পা লেপ্পা নাইদনা হোৎনবগা লোয়নননা ফয়রমেনশিংনা মৈজাও অদু লাকশিন্নবা হোৎনবা পুং ১৪ রোম চঙখি হায়রি।

নুমিদাংগী মতমদা মী চঙবা থিংখ্রবা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা থোক্লকখিবা চাওরবা মৈহৌ লাংপোক অদুদা ফায়র ফাইটর অমা মশাদা অশোক-অপন নংখিবা নত্তনা অতৈ মীওই অমত্তা শোকখিদ্রে হায়রি।

ওফিসলশিংনা মৈ চাকপদু চর্চ অদুগী শরুক খরদা নুঙগী শরুকশিংদা ময়ি চৎলকপদগী পায়খৎলকখিবা শেমজিন-শাজিনবগী থবক্লা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

মৈ চাকপদু লোকেল মতমদা নুমিদাং পুং ৬.৩০ (জি এম টি ১৬:৩০) রোম তাবদগী হৌরগা য়াম্না থুনা কেথিড্রল অদুগী য়ুমথক য়ৌখি। মচু শংলবা গ্লাসকী থোংনাওশিং অমসুং মনুংগী উগী শরু কশিং চাক্লবা মতুংদা স্পায়র য়ৌদুনা নীংখায়রকখিবনি হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিংদা মৈ চাক্লিবা মফম অদুদগী ৱা ঙাঙলদুনা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোন্না পুৱারীগী ময়াই থংবা চহীগী তাংলবা গোথিক মাষ্টরপিস অমা ফিভম থিনা মৈ চাক্লিবদু কিনিংঙাই ওইরবা অৱাবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

নোট্র-দাম অসি ঐখোয়গী পুৱারিনি, ঐখোয়গী লিটরেচরনি, ঐখোয়গী ৱাখলদা শাগোন্নদুনা লাক্লবা অতাংবা পোৎশক অমনি হায়রদুনা মহাক্না চর্চ অদুবু নৌনা শানবা নেসনল দোনেসন স্কিম অমা হৌদোক্লগনি লোয়নননা মালেমগী মতেংসু লৌগনি হায়না মেক্রোন্না লাউথোকখি।

# কম্মান্দর হাফটরনা ট্রিপোলি পাংদুনা কূ পাঙথোক্লবা হোৎনরে : লিবিয়াগী এনভোই

ট্রিপোলি, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

ইষ্টর্ন লিবিয়াগী কম্মান্দর খালিফা হাফটরনা প্রাইম মিনিষ্টর ফয়েজ অল-সেরাজ ফানবা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা থোক্তুনা কূ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরে হায়না য়ু এনগী এনভোই ঘসন সালামেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কেপিটেল ট্রিপোলি পায়শিন্ন-বগীদমক য়েংথিনরিবা গ্রুপশিংনা লান কন্না শোক্লরিঙৈ মরক্তা য়ু এন এনভোই সালামেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কম্মান্দর হাফটরগী লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা লিবিয়ন নেসনল আর্মি চয়োল অনীগী মমাঙদা ট্রিপোলি সিটিগী চিদাই য়ৌনা চঙশিনখ্রবনি। মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর অল-সেরাজগী লৈঙাক্তা য়াওরিবশিং নাকপাক তান্নরগনি অমসুং নুমিৎ নিনিগী মনুংদা মাই পাকপা ঙম্লগনি হায়বগী ৱাখলগা লোয়নননা লাঞ্জং অদু চঙশিনখিবনি। অদুমওইনমক মালেম্না শকখঙলবা সেরাজ লৈঙাক্লা ইষ্টর্ন লিবিয়াগী ফোর্সশিং অদুবু ট্রিপোলিগী খা থংবা চিদাইদগী হেঞ্জিনহন্দনা থম্বা ঙমখি। নোংচুপ থংবা লিবিয়াগী তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা ফেক্সনশিংনা সেরাজদা মতেং পাংনবা ফাইটর কয়া থাজিল্লকখিবদগী ফিভম অদুদা থম্বা ঙমখিবনি।

লৈখিদ্রবা লৈবাক অদুগী দিক্টেটর মুৱামর গদ্দাফিগী আর্মিগী জেনরেল অমা ওইরম্বা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা হাফটরনা মহাক্কী ট্রুপশিংগী মশিং য়ামখৎহনখিবগা লোয়নননা এয়র-ষ্ট্রাইক্কী অকনবা কেম্পেন অমসু চথরকখিবনি। মহাক্না খোঙথাংশিং অদু লৈবাক অদুদা তং তাবা ফিভম পুরকপদা অমসুং জিহাদিষ্টশিংবু লোইশিনবদা তঙাই ফদে হায়না ফোঙদোকখি।



বি বি সী রেদিওদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু এন এনভোই সালামেনা হায়খি মদুদি, হাফটরনা মহাক্কী কেম্পেন অদুদা সেরাজ অমসুং ট্রিপোলিগী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়া ফাননবা এরেষ্ট ৱারেন্ট কয়া থোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা অসি কাওন্টর টেরোরিজমগী থৌওং অমদগী কূ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপগী ফিভম্না হেন্না মাল্লি। হাফটরগী মায়কৈদগী এরেষ্ট ৱারেন্ট থোকখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে। অমরোমদা, সেরাজ লৈঙাক্লা মদুবু খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি হায়রি।

য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেট্স, ইজিপ অমসুং ফ্রান্স য়াওনা হাফটরবু শৌগৎলিবা লৈবাক কয়ানা মঙোন্দা লাঞ্জং অদু লেপ্পবা হৌজিক ফাওবগী প্রেসর পীবা লৈতে হায়না দিপ্লোমেন টশিংনা থাজরি। কুমজা ২০১১ দা লিবিয়াদা অকনবা ইরাং থোক্তুনা গদ্দাফিগী লৈঙাক তুখিবদগী লৈবাক অদুদা ফেক্সন কয়ানা অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা কাং খোং চাইবগী ফিভম অমা লৈরিবদু লোইশিনবা ঙমগদবা মীশক্তি হাফটরনি হায়না লৈবাকশিং অসিনা থাজরিবনি।

চয়োল অসিদা লৈবাক্কী ওইবা শন্তাইনবা অমা পুরক্লবগী কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা সালামেনা নাকল অনীমক্লা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মিলিটরিগী ওইবা মাই পাকপা অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়বসি শোয়দনা খঙনরক্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

# আই এসনা ফাখিবা নর্সকী মমিং পনবদা ন্যু জিলেন্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ৱিলিংটন, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):



কুমজা ২০১৩ দা সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপ্না ফাখিবা নর্স অমগী মমিং ইন টরনেসনল কম্মিটি ওফ রেদ ক্রোস (আই সী আর সী)না ফোঙদোকখিববু ন্যু জিলেন্দনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লান নংলবা লৈবাক অদুদা চহী মঙা হেনবগী মমাঙদা ইস্লামিক ষ্টেটনা ফাখিবা ষ্টাফ মেম্বর অহুমগী পাউ পীরক্লবা আই সী আর সীনা ফোঙনা লাউথোকখিবা মতুং নুমিৎ নিনি লৈরগা ন্যু জিলেন্দগী ভাইস প্রাইম মিনিষ্টর ৱিনষ্টন পিটর্সনা ইশ্যু অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রেদ ক্রোসকী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি হায়না ইফে ন্যুজনা হায়রি।

আই সী আর সীনা ফাখিবা পার্সনেলশিং অদুবু মমিংশিং অমসুং মখোয়গী হৌরকফম লৈবাকশিং পনখিবগা লোয়নননা লুজা অকাবি কৌবী নর্স অদু ন্যু জিলেন্দগী সিটিজন অমনি, নর্সশিংগী থবক্তা কখোক্লবা, এক্সপিরিএন্স লৈরবা অমদি খাংবা কল্লবা নর্স অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩ গী ওক্তোবরদা মহাকপু ফাখিবদগী ন্যু জিলেন্দদা মথং-মথং লাকখিবা লৈঙাকশিংনা নর্স অসিগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়া নংলকপা য়াই কিবদগী মহাকপু ফাখিবগী মতাং অমসুং মহাক্কী মশক ফোঙদোক্তনা লাকখিবনি। মহাক ইকোন কোনবা ওইনা চহী অসিগী জন্যুৱারিদা সিরিয়াদা লৈবা আই এসকী অরোইবা ষ্ট্রোং হোল্ড ওইরিবা অল-বাঘুজতা অশোকপা ফাইটর কয়াগী ফিভম য়েংশিনবা উখি হায়না পাউ খরনা ফোঙদোকখিবনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিরিয়াদা শাথিরবা টেরর গ্রুপ অমনা মথৌ পাঙথোক্লিবা নর্স অমবু ফাখিবগী পাউ ফোঙদোকপা পাম্মী হায়বসি মরম চাদবা অরানবা ৱাফম্নি হায়না পিটরসনা রেদিও ন্যু জিলেন্দদা ফোঙদোকখি।

লান নংলবা লৈবাক অমদা রেদ ক্রোস নৎত্রগা অতৈ মালেমগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা থবক তৌবদা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থফম থোক্তে। তৌইগুম্বসুং মতিক চারবা ইন টরনেসনল হ্যুমেনিটেরিয়ন ওর্গনাইজেসন অমবু ঐহাক্লা কন্দেম তৌবদি পামদে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# লিবিয়া ৱাথোক্কী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরক্লবা ইটালিনা আপিল তৌখ্রে

রোম, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

থাও মরাং কায়না ফংবা লৈবাক অমা ওইরিবা লিবিয়াদা মালেম্না শকখঙলবা ট্রিপোলিদা লৈবা লৈঙাক অমসুং ইষ্টর্ন মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন খালিফা হাফটরবু শৌগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা লান কনখৎলক্লিবদু ৱারী শান্নদুনা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গিয়ুসেপে কোন্টেনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে।

মহাক্লা হাফটরগী মিলিস্যা কাঙবুদা ট্রিপোলিদগী হন্দোক্লবা অমসুং মালেম্না শকখঙলবা লৈঙাক শৌগৎলিবা ফোর্সশিংগা খুদক্তা ট্রুস অমা পুরক্লবা আপিল তৌখি। অমারোমদা মহাক্লা মিলিটরি পাঙ্গল শীজিন্নদুনা লৈবাক অদুদা খুৎ থিংজিল্লবদি কাং খোং চাইরবা লৈবাক অদুগী ফিভম অদু হেন্না ৱাবা ফিভম অমা লাক্তুনা ইটালিদসু চৈথেং পীরক্লপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

খুৎলায় পায়দুনা লান শোক্লবা হায়বসিনা সোল্যুসন ওইবা য়ারোই। ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী মায়কৈদগী পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা লাকহনবা পাম্মী। লোয়নননা ঐখোয়দা চপ চাবা ষ্ট্রেটেজি অমসু লৈরে হায়না কোন্টেনা ইটালিগী খা থংবা সিটি কম্পোবাসোদা



লোকেল ওফিসরশিংগা ৱারী শান্নবদা হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, লিবিয়াদা ঈংনা চিক্লা সোল্যুসন অমা পুরক্লবা অমদি লৈবাক অদুদা তুং কোইনা তং তাবা ফিভম অমা লাকহন্নবগীদমক মহাক্লা লিবিয়াগী ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্কা মালেমগী লৈবাকশিংগা পুন্না হোৎনমিন্নবা য়ানবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। ইটালিনা লিবিয়াগী ৱাথোক্কী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইনা পায়খৎপা পাল্লিবদি লান অদু ট্রুস অমা পুরক্তুনা লেপহনবা হায়বসিনি। রোমদা হৌজিক গভর্নমেন্টনা কটরগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ফোরেন মিনিষ্টর মহম্মদ অল থানি অমসুং লিবিয়াগী য়ু এননা শৌগৎপা প্রাইম মিনিষ্টর ফায়েজ অল-সেরাজগী দেপ্যুটি অহম্মদ মাইটিক্কী মরক্তা ৱারী শান্নরি। লিবিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং ঐখোয়না কুপ্না য়েংশিল্লি। কনফ্লিক অসি তঙাই ফদনা লেপহনবা চঙই হায়না কোন্টেনা ফোঙদোকখি।

হাফটরনা কেপিটেলদা লৈরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি ওফেন্সিপ হৌরে হায়না লাউথোকখিবদগী ইটালিগী হান্নগী কোলোনি অদুদা লানগী ফিভম কনশিল্লকখিবনি। য়ু এনগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লান অদুদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৬০ শিখ্রে অমসুং মীওই লিশিং ১৬ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

রোমদা কটরগী থানিগা ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুংদা কোন্টেনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, হাফটরগী লিবিয়ন নেসনল আর্মিগী ট্রুপশিং ট্রিপোলিদগী য়াম্না থুনা হন্দোক্লগনি হায়না ইটালিনা থাজে। ঐখোয়না খুদক্তা সিজফায়র পাম্মী।

# এক্সট্রাজুদিসল মীহাৎশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা পাকিস্তানগী ঐচ আর সীনা য়ু এনদা তকশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

পাকিস্তানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুদা চত্থরকখিবনি হায়বা এক্সট্রাজুদিসল মীহাৎশিংগী মরমদা থিজিন্নবা পাকিস্তানগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এনদা তকশিনখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা লৈবাক অদুদা লোগী মায়োক্তা ওইবা মওংদা চত্থখিবা মীহাৎ কয়ানা হৌখিবা থা খরা অসিদা লৈবাক ৱাথোক ওইরকখিবগা লোয়নননা পাকিস্তানগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা য়ু এনদা তকশিনখিবনি।





মনীং তম্না থবক তৌবা রাইটস ৱাটচদোগ অসিনা ইস্লামাবাদতা ফোঙখিবা চহীগী ওইবা রিপোর্টতা য়ু এনদা লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিংগী ফিভম অমদি লাইনিং লম্বী কয়াগী মনীং তম্বগী ফিভমগুম্বা অতৈ ইশ্যু কয়াগী মতাংদসু থিজিনবিন্নবা হায়জখ্রে হায়রি।

কম্মিসন্না লৈবাক অদুদা এক্সট্রাজুদিসল মীহাৎশিংগা মরী লৈনবা য়ু এনগী স্পেসল রাপোর্টর লাকপগী থৌরাংবুসু পাকিস্তান্না য়ারে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পনখি। য়ু এন স্পেসল রাপোর্টরনা পাকিস্তানদা লাক্কে হায়রকপদা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০১২ দগী য়াদুনা লাক্লবনি।

তৌইগুম্বসুং অতৈ স্পেসল প্রসিজর কয়াগা মরী লৈনবা খোঙচৎশিংগী মতাংদদি হৌজিক লৈখায় তাদনা লৈরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারগা মী মাঙহনখিবা, এক্সট্রাজুদিসল মীহাৎশিং, অঙাংশিংবু তাথি তাওইনা তৌবা অমদি হাৎপিবা, নুপীগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইমশিং, চাইল্ড লেবর, লাইনিং লম্বীদা য়ুম্ফম ওইরগা মী হাৎপা, মাইনোরিটি-শিংবু ওৎপা অমদি ইমুংগী ইকাই খুম্নবা কনবগী মিংদা চত্থরিবা ক্রাইম কয়াগী রিপোর্টশিংনা পাকিস্তানগী মীয়ামগী ৱাখলদা অৱাবা পীরি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জন্যুৱারিদা পুলিসকা খুৎ থোক্লখিবনি হায়বা থৌদোক অমদা ইমুং অমগী মীওই অহুম য়াওনা মীওই মরি হাৎখিবা মতুংদা য়ু এন স্পেসল রাপোর্টরনা পাকিস্তানদা লাক্তুনা থিজিন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখিবনি। মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা কাওন্টর টেররিজম দিপার্টমেন টনা মীওই মরি অদু টেররিষ্ট ঙাক্তনি অমসুং মখোয় মশেল কাপ্লবদা শীখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং থৌদোক অদুবু উহৌবশিং অমদি পুলিসকী এক্সন অদুদা হিংহৌবা মীওই কয়ানদি কাওন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টকী ক্লেম অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

# হান্নগী রিপব্লিকান গভর্নর বিল ৱেল্ড য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা মীরেপ ওইরগনি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

য়ু এসকী নোর্থ ইষ্টন ষ্টেট মেসাচুসিটসকী হান্নগী গভর্নর বিল ৱেল্ডনা মহাক কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্টগী মীখলদা মীরেপ ওইরগনি হায়না ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবগা লোয়নননা মহাক্লা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প শিংনবা অহানবা রিপব্লিকান ওইরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হান্নগী রিপব্লিকান গভর্নর বিল ৱেল্ডনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু লো করেম্নবা মীশক্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি থৌনা, খাংবা কনবা অমসুং নীং তম্বদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমখিবনি। মরু ওইবা পার্টি অনীমক্লা মীখলগী লানশিং মাই পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অরৈবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা হোৎনরিবা পোলিটিকেলগী লুরবা মতম অসিদা অমেরিকাগী মীয়ামগী খোল্লাওশিং তাবিনবা লৈতবদগী লৈবাক অসি অৱাবা ওইরে হায়না ৱেল্ডনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।



লৈবাক অদুগী মরৈবাক নীংবা নুপা-নুপীশিংনা থোক্লক্তুনা লেপ্পগী মতম ওইরে হায়না পনবগা লোয়নননা ৱেল্ডনা হায়খি, অমেরিকানশিংনা লিঙ্কনগী প্রিন্সিপলশিং ওইরিবা মীপুম খুদিংমক্তা খুদোংচাবা মান্ননা ফংহনবা, মীওই খুদিংমকপু অমগা অমগা মান্ননা অমসুং ইকাই খুম্ননা য়েংবগী ৱাখল্লোনশিং অসিবু নৌহৌননা নীংশিংবগী মতম ওইরে। অমেরিকাবু মালেমগী মমাঙদা চাওহল্লিবা অসিগুম্বা ৱাখল্লোনশিং অসিবু ঙাক্লা চৎপদগী হেন্না ফবা লৈতে। অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা প্রিন্সিপলশিং অসিগীমক্তা থেংননবা ঐহাক্লা শেম শারে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ দা বিল ৱেল্ড অসি হান্নগী ন্যু মেক্সিকো গভর্নর গেরি জোন্সনগা লোয়নননা লিবর্টরিয়ন পার্টিকী টিকেটতা ভাইস প্রসিদেন্টকী নোমিনি ওইখি। মহাক মমাঙদা মেসাচুসিটসকী গভর্নর ওইনা টার্ম অনীরক পায়খ্রে। কুমজা ১৯৯৬ তা মহাক সিনেটকী লমজেলদা জোন কেরিগা লম্বা তৌনবদা মায়থিবা নংখি।

## প্রোটেষ্টরশিংনা লন্দনগী লম্বীশিং থিংজিনখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

ক্লাইমেটতা অহোংবা লাকহনবগী মায়োক্তা হৌবা লালহৌ অমদা মীওই লিশিং কয়ানা লন্দনগী মরু ওইবা লেন্দমার্ক কয়া থিংজিনখিবগা লোয়নননা য়ু কেগী কেপিটেল অদুগী থবক থৌরমশিংদা পাক শন্না অকায়বা পীখ্রে হায়রি। প্রোটেষ্টশিং অদুবু শীন-লাংলিবশিংনা থৌওং অদু নুমিৎ কয়ানি চুপ্না চত্থরবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মমা-মপা কয়া অমদি মখোয়গী অঙাংশিংনা লন্দনগী মরু ওইবা জঙ্কসনশিংবু সাইটিষ্টশিং, ইনভাইরনমেন্টেলিষ্টশিং অমসুং অতৈ প্রোটেষ্টর কয়ানা পায়শিল্লিবদুদা চঙশিন্দুনা শরুক য়াখি। মখোয়না ইকোলোজিকেল ক্রাইসিসকী ফিভম লাকশিন্নবা অথুবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা লৈঙাক্তা দিমান্দ তৌখি।

প্রোটেষ্টশিং অদু বৃটিশ ক্লাইমেট গ্রুপ এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়ন্না শীন্দুনা চত্থরকখিবা গ্লোবেল কেম্পেন অমগী শরুক্নি। গ্লোবেল কেম্পেন অদুদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মালেমগী লৈবাক ৩৩গী সিটি ৮০ দা দেমোনষ্ট্রেসন কয়া পাক শন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। গ্রুপ অদুনা য়ু কে গভর্নমেন্টতা কার্বোন ইমিসনশিংগী চাং কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা জিরোদা হন্থহন্নবা অমসুং ক্লাইমেটতা অকায়বা লাক্লিবশিং অমসুং বাইওদাইর্ভসিটি কন্নবগী এক্সন প্লান অমা পুথোক্লবা তকশিল্লিবনি।

## দুবাইদা ইন্দিয়ন অমা কনভিক্ট তৌখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

মিদিয়া কম্পেনি অমগী সার্ভর হেক্কিং তৌরম্বগীদমক্তা ইন্দিয়ন নুপা অমা থা অহুম জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। দুবাইগী কোর্ট ওফ ফার্ষ্ট ইন্সটেন্সনা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ইন্দিয়ন নুপা অদু ৱেবসাইট কয়া হেক্কিং তৌবা অমসুং মীওই কয়াদা কিহল্লম্বগী মরাল শীখিবনি হায়রি।

মহাক কোর্টনা থা অহুম কোন্না জেলদা থম্নবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়নননা য়াম্না থুনা ইন্দিয়াদা থানবসু খঙহনখ্রে হায়রি। ওফিসল রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না মিদিয়া কম্পেনি অদুদা কম্পুটর প্রোগ্রামর অমা ওইনা থবক তৌবা দিফেন্দেন্ট অদুগী মায়কৈদগী কোর্টকী ৱারেপ অদুদা শীংনরকখিবা লৈতে। মীওই অসিনা ৱাটসএপ মেসেজ কয়া কম্পেনি অদুগী অতোপ্পা প্রোগ্রামরদা থাদুনা কম্পেনিনা মঙোন্দগী ককখিবা শেনফম খরা পীরক্ত্রবদি মহাক্কী ৱেবসাইটসু হেক তৌগনি হায়না কিহনখি হায়রি।

## সিরিয়াগী রুবানদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনবা পাল্লি

য়ুনাইটেদ নেন্সন্স, এপ্রিল ১৬(এজেন্সি):

করিগুম্বা সিরিয়াগী রেজমনা য়ারবদি লৈবাক অসিগী রুবানদা লৈবা মীয়ামগী ফিভম য়েংশিন্দুনা মখোয়বু মতেং পাংবা পাম্মী হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেসকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্লা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি মদুদি করিগুম্বা সিরিয়ন ওথোরিটিশিংনা রুকবানদা অয়েৎ-অপন পীদনা চঙবা য়াহল্লবদি মালেমগী ওর্গনাইজেসন অসিনা মফমদুদা লৈরিবা মীয়ামগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনবা পাম্মী।

পনবা য়াবদি রেদ ক্রেসেন্টগী খুত্থাংদা য়ু এননা চানবা পোৎলমশিং, ঈশিং, হাইজিনগী কিটশিং, মেদিকেল সার্ভিসশিং য়াওনা মফম অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু মতেং পাংলিবনি। সেল্টরশিং অদুদা য়ু এনবু অয়েৎ-অপন অমত্তা পীদনা চঙহনবগী ফিভম লৈতে হায়না মহাক্লা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

দুজারিক্কী মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা রুকবানদগী মীওই ১,৪৩০ রোম চৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খায় অরোমদি অঙাং ঙাক্তনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৬০০ হেন্না অতোপ্পা সেল্টরশিং অমসুং হেন্না শাফগদবা হোমস সিটিগী অকোয়বা মফম কয়াগীদমক্তা রুকবানগী কেম্পতগী চৎনখ্রে। মীওই ১২০০ রোম কেম্প অদু থাদোক্তুনা মরী মতাশিংগী মনাক্তা চঙজফম লৌখ্রবনি হায়না পান্নরি।